# মপূম-ফাবা-মী থিরুবা



- এস ইন্দ্রকুমার-

‘পর্ফেক্ট’ ওইবা হায়বসি ঐগী ইরোল’সিদদি ‘মপূম ফাবা’ হায়বা তা’মাল্লে। পোৎ অমগী চেনফম থোকপা মচল পূন্নমক শুনা চেনবা, অৱাৎপা অমত্তা লৈতবা পোৎশক অদুবু কৌনৈ ঐখোয়না ‘মপূম ফারবা’, পর্ফেক্ট ওইরবা। ‘মপূম’ হায়বসিগী ওন্ন-তৈনবা, ওপোজিৎ ওইবা ৱাহৈদুনি ‘মচেৎ’। মচেৎ হায়বসি মপূম অদু কায়রগা, নৎত্রগা, থুগায়রগা থোক্লকই। মপূম অমা ওইরম্বদগী কায়থরকপা থৌওং অদুবু ‘মচেৎ তাবা’ হায়নসু খঙনৈ। ‘মপূম’ হায়বা ৱাহৈসিবু কনাগুম্বা অমনা নৎত্রগা খরনা লান্না শীজিন্নবা হৌখিবদগী, অরানবদুবু অচুম্বা ওইনা খন্নদুনা অয়াম্বা মীওইনা শীজিন্নখ্রবা ‘মিসনোমর’ অমা লৈ- ‘মপুং’। ‘মপূং’ হায়বা ৱাহৈসি মথন্তা, মরন্নাই থাংদোক্তুনা লেপহল্লগা মাগী ৱাহম্থোক থিবীয়ু। ফংলোই। ‘মপূং-ফাবা’ হায়রদি ৱাহৈসিগী ৱাহম্থোক থোক্লক্কনি। মরমদি, ‘মপূম ফাবা’ হায়বা ৱাহৈ-ৱাপা অদুগী মিসনোমর অমনি ‘মপূং ফাবা’। ওইফম থোকপা শক্তমদুগী মচল শুনা চেন্দ্রিঙৈ শক্তম অদু মচেৎ ওইরি, মপূম ওইদ্রি। অঙাং ওইরম্বদগী তপ্না তপ্না চাউখৎলক, পুমকক চাউরম্বদগী পাখঙ-শারেপ তল্লকপা, লৈশাবী মপূম ফারকপদুবু কৌই-মপূম-মরৈ-ফারকপা। অদুবু, অয়াম্বা অইবা/শৈরেংবশিংনদি অচুম্বা-ওইখ্রবা-অরানবদু চুমথোকপা ঙমদনা শীজিন্নৈ ‘মপূং-মরৈ-ফারকপা’ হায়না। কাখলসিদা ইজখিবা ৱারেং কয়াদা ‘মপূং’ হায়বা ৱাহৈসি অমুক্তা শীজিন্নজখিদে। অদুবু, মপূম ফাবা/ফাদবগী সেন্স’তা ইজখিবা ৱাহৈ কয়া টাইপ তৌবীবা নৎত্রগা প্রুফ পাবীবশিংনা ‘মপুং’ হায়না হেক্তা শেমদোক্তুনা নম্বীরকখিবা কয়া য়াওখরে।

ঙসি ইজরিবা ৱারেংসি ৱাহৈসিগী অচুম-অরান থিননবা নৎচদে। মপূম-ফারবা-মী, অৱাৎপা অমত্তা লৈতবা, পর্ফেক্ট ওইবা হ্যুমেন-বিইং অমা মালেমসিদা পোকখিবরা? পোকখ্রবদি মহাক অদু কনানো? কদায়দা, কৈদৌঙৈ পোকখিবগে? অসিনচিংবা ৱাফম খরসিনা কোকসি ৱাই চিনহল্লক্লিবা ফনা কুইরক্লে। অচৌবা মী (অফাওবা মী)- গ্রেট মেন’নি হায়নবশিংগী পূন্সি ৱারী কয়া পাখরে- স্কুল সিলেবস’তা য়াওরক্তুনা পাখিবা অমসুং থৌওইনা, লাইরিক ওইনা ফোঙলকপদু লৈরগা পাখিবা। আ মথায় থায়না মমাঙঙৈ, চহী চা/লিশীং কয়াগী মমাঙদা পোকখিবা অমদি ইকুই কুইদ্রিবা মতমগী ইতিহাসকী লমায়শিংদা ইরম্বা, তোঙান তোঙানবা মান্নদবা মী কয়াগী ৱারী। মখোয়না তৌরম্বা, নঙনা-ঐনদি তৌঙমদবা থবক কয়াদুগী ৱারী পারগা খল্লকখিবনি- মখোয়, মী ওইবগী গুণ পূন্নমক্না শুনা লৈতেংলবা, ৱাৎপা-লৈত্রবা ‘মপূম ফারবা মী’ হায়বদুরা? থম্মোয়সিনা য়ানীংখিদে। থোইদোক হেন্দোকপা গুণ কয়ানা লৈতেংলবা মীশক হায়বদু ওইরবসু মহাক্না পূমথোই থোইরবা, পূমহেন হেল্লবা মীশক অদুনি হায়বদুদি হায়নীংখিদে। খঙদে, ঐগীসি ‘অর্গুমেন্টিব মাইন্দ’ হায়বদুরা? মীবু মীথাননীংদবা হায়বদুরা? তশেংবদি, মদু নত্তে। ঐনা ঙমদবা থবক অমা, অতোপ্পনা লায়না তৌরকপা, ঐনা খঙদবা লৌশিং অমা অতোপ্পনা খঙলম্বা-মহাক্তুবু ইকায়খুম্নবা, থম্মোয়সিদা ইরাৎপদি ইশাগী শেত্তোকফদ্রবা ইতৌ অমনি। মখোয়না হায়রম্বা কাউফদ্রবা ৱা কয়া থম্মোয় থন্না লৈ, অমম্বদা লমজিং মৈরা ওইনা। অদুবু, পর্ফেক্ট হ্যুমেন বিইং অমা হায়বদুদি কৌবা য়াবা কনাসু য়াওদে। খল্লকখিবনি।

লৈতাদ্রবা ৱাখলসি অমেরিকান রাইটর ‘সাম কীন’ গী ৱাহৈ খরনা লৈতাহনখি... ‘ঐখোয় কনাসু মপূম ফারবা মী (পর্ফেক্ট হ্যুমেন বিইং) অমা নত্তে, অদুগা ঐখোয়নসু অদুগুম্বা অমনি হায়নসু কৈদৌনুংদা হায়নবা হোৎনরোইদবনি... অদুবু, ঐখোয় পূন্নমক ইশা-ইশানা তৌবা ঙম্বদু করিনো-ইশাগী অশেঙবা শক্তম করিনো হায়বদুদি উৎথোক্লবা হোৎনগদবনি’...। স্বিদিস সিঙ্গর অমসুং সোং রাইটর ‘টৌভি লো’ গী ঈশৈ অমগী শৈহৌ মতেক অমনসু মতেং পাংখি... ‘ঐদি হাংদোক্তুনা থল্লবা লাইরিক্লি/ঐদি ঐ ওইজগে কনামত্তা ওইজরোই/খঙই ঐ-মপূম ফাবা মী নত্তে ঐ’...।

‘সুপরমেন’ কৌবা কোমিক ক্যারেক্টর অমা শেমগৎখিবগী ৱারী, অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতমদা জর্মন দিক্টেটর ‘এদোল্ফ হিটলর’ না জিউ অমসুং রোমানশিংগী মথক্তা চখ্থিবা মীওৎ-মীনৈ, মীহাৎ-মীপূনগী ৱারীদুনা থম্মোয় শোকহল্লবা ‘জেরি সৈগল’না করম্না শেমগৎলকখিবা-পূন্নমক্না খঙনরবা ৱারীনি। অশোনবা, পাম্বৈ লৈজদ্রবশিংগী মথক্তা অকনবা, অঙম্বশিংনা চথ্থবা মীওৎ-মীনৈশিংদুদগী অশোনবশিংবু কন্নবা কনবদগী কল্লবা, তৌগে’তা ঙম্বা, পূমঙম ঙম্বা ‘সুপর-হ্যুমেন ক্যারেক্টর’ অমা শেমগৎখিবনি মশাগী থম্মোয় পেলহনজনবা, ক্রিয়েটিব সেটিসফেক্সন ফংনবা। ‘জেরি’ না হান্না ‘ইন্দিয়ন মিথোলোজি’ গী ‘কৃষ্ণ’ গী ৱারী পাখিদবজাৎলা হান্ননা! মহাক্না সুপর-হ্যুমেন-ক্যারেক্টর অমা শেমগৎত্রিঙৈ চহী চা কয়াগী মমাঙদা বেদ ব্যাস কৌবা মহাঋষি (গ্রেট-সেজ) অদুনা ‘সুপর-গোদ’ অমা শেল্লমখিবগী ৱারী লৈখ্রবনি। পান্দমদি অমত্তনি- তোল্ল তারবশিংবু মীফত্তশিংগী মীওৎ-মীনৈদগী কনবীবা। বেদ ব্যাস হায়বসি কনাগুম্বা অমগী মমিং নত্তে। মিংথোল অমনি। ‘বেদ’ - সংস্কৃট লোল অমনি, ‘লৌশিং’হায়বনি। ‘ব্যাস’ হায়ব’না তাশিন-খোমজিনবা (কম্পাইলর) হায়বনি। ‘কম্পাইলর ওফ নোলেজ’ হায়বনি ‘বেদ ব্যাস’। মহাভারত ইরন্নিবা ‘বেদ-ব্যাস’ - ইন্দিয়াদা, মতমদুদা লৈরম্বা ২৮শুবা বেদ-ব্যাস’নি। মহাক্না মহাপুরান (গ্রেট ইপিক) অসি ইননবা হোৎনরকপদা খ্বাইদই হেন্না খঙ’-হৈবা, লেশিংগী অৱাৎপা লৈতবা, খ্বাইদই হেন্না তৌবা ঙম্বা (শক্তি লৈবা), নুপী-অঙাং-তাইবঙ পূম্ববুসু শুমহৎ’ঙম্বা, নুংশি-চাউবা, থৌজাল-হৈবা, ফত্তববু মাঙহন’ঙম্বা,... পূমঙম ঙম্বা, মপূম ফাবা ক্যারেক্টর অমা শেমগৎপা পামখি মহাক্না-মী মরক্তা লৈর’সু লাইগুম শক্তি লৈরবা মী অমা! অদুগুম্বা মীশক্তু মশামক্লি খঞ্জদুনা মশামক্কী ইমেজ’দা, ৱারীদুগী ক্যারেক্টর অমা ওইনা (সত্যবতি অমসুং পরাসর মুনিগী মপারী ওইনা) কৃষ্ণ দ্বইপায়ন হায়না মিংথোন্দুনা হাপচীনখি। মহাভারত হায়না খঙনবা ‘লাঞ্জাও’ অমা ওইরক্কদবা অচৌবা কুন্ধৈ (ইমুং অমগী লীলা) দুগী হৌরকফম মঙোন্দগী ওইহল্লগা, মখা তারকপা কুন্ধৈ থৌদোক-ৱাথোক ময়ামদুগী ময়ায় লেপ্পা মীশক অমা ওইনা য়াওশিনবা, অরোইবা লানফম অদুগী ময়ায়দসু, লান’দুগী হীরো অর্জুনগী দোলাইপাবা অমা ওইনা য়াওশিনখি-লানফমদুদা মায়পাক্লিবা পান্দবশিংনা ‘মায়পাকপগী মরম’সু, মায়থীবা নংলিবা কৌরবশিংনা ‘মায়থীবগী মরম’সু শ্রীকৃষ্ণ হায়বা ক্যারেক্টরদুনা মরম ওইহনখি। ‘কৃষ্ণ দ্বইপায়ন’ হায়বা মশানা থোনজবা মিং অদুগী শরুক অমা লৌথোক্লগা, হেন্না মপূম-ফাবা পর্ফেক্ট ওইবা ক্যারেক্টর অমা শেমগৎলম্বনি, মহাক্না ওইনীংবা ক্যারেক্টরদুগী পর্সোনিফিকেশন’নি।

অদুগা, লাইগুম ময়াই চেল্লবা, মতিক লৈবা মী’মক নৎত্র’সু, মোদর্ন-মেন মরক্তা মহাক্কুম্বা মী পোক্লম্নি হায়বা, চহী-চা খরগী তুংগী মীরোল অদুনদি থাজবা ঙল্লরোইদবা, এক্সত্রাওর্দিনেরি ওইবা থৱায় অমগী মিং পনবা তারবা, অথোইবা থৱায় (গ্রেট সোউল) অমনি শকখঙলবা ‘মহাত্মা গান্ধী’ অমনি। য়ুরোপিয়ন-স্কোলারশিংনা হায়- ‘গান্ধী ৱাজ মিসফিট ইন ইন্দিয়া’... মহাক্তি ইন্দিয়া’দা পোক্লল্লোইদবনি... লাইবক নৎত্রগা কর্ম্মনবু হায়সিরা, ঈশ্বর মাগী থৌশিলনিবু হায়সিরা, গান্ধীগুম্বা মীশক অমবু ইন্দিয়া কৌবা লৈবাকসিদা পোকহল্লম্বসিমক অশোয়বা থৌশিল অমনি’...। মহাক্না পামজখিবা পূন্সি মহীং, মহাক্না মঙজখিবা মরৈবাক্কী শক্তম ‘গান্ধীজম’ হায়বদুগা ঙসিগী ‘মোদর্ন-ইন্দিয়া’ সিগদি,-স্বর্গ-পাতাল অনীগী খেন্নবদুমক্লি। ঙসিগী ইন্দিয়নশিংদদি টাটা-বিরলা-অম্বানি-অদানিগুম্বা, লায়রবা লীশিং-লীচা কয়াগী মথক্তা হাইনা হুম্না-পান’ঙম্বা-মখোয়দুনি ‘মপূম-ফাবা-মী’ - এ পর্ফেক্ট হ্যুমেন বিইং।

অদুবু তশেংনা থিরুরবা ’তুংদদি খঙলকই - ঙসিদগী চহী লিশীং তরুক্কী মমাঙদা হিংলমখিবা মীশিংদুদগী হেন্না শিংবা, হেন্না মপূম ফাবা মী- ঙসি ফাওবা পোক্লমদ্রি। ঙসিদি খঙলে -‘মেন ইজ পর্ফেক্টলি ইনপর্ফেক্ট’- মীওইবদি মপূম-ফানা, মপূম ফাদবা জীব অমনি। ●

# আর কে সনাহনবী (লীকখোম্বী) চনুগী ৱারীমচাগী লাইরিক ‘অরোইবা ফিরেপ’-লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা



- তোংব্রম অমরজিৎ -

আর কে সনাহনবী (লীকখোম্বী) চনু লুৱাংশঙবম মখা লৈকায়দা লৈবা আর কে চীংলেনসনা অমদি মংশাতাবম নিঙোল আর কে ওংবী পিশক শিজগী মচানুপী অহল ওইনা ১৯৬২গী ফেব্রুৱারী ১দা তাইবঙ খোঙদারকখি। অইবী অসি ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালগী শকখঙলবী শৈরেংবী অমনি। ইমাখোল, লৈকোল, সাল, শৈপাল, অম্মিকনচিংবা লূপ কয়াগী লাইফ মেম্বরনি। শৈরেং লাইরিক ৩, ঈশৈ শৈরেং ৩, অতেনবা পূন্সি ৱারী ৩, ৱারীমচা ১, অঙাংগী খোঞ্জেল লীলামচা ১, মীতৈ ময়েক্তা ওন্থোকপা শৈরেং লাইরিক ১, পূন্না লাইরিক ১২ ফোঙখিবা লৈরে। ওদিও সী দি কেসেট ৪সু পুথোকখ্রে। লীকখোম্বীগী লীক্লু মিংথোনবা য়ুট্যুব চেনেল অমা হাংদুনা ঈশৈ নোংমাইদা মরু ওইনা নাৎকী শৈশক্তা পূক্লিং থৌগৎতুনা অঙম্বা থৌদাংসু লৌরি। সাহিত্য একাদেমি বাল সাহিত্য পুরস্কার ২০১৯ য়াওনা তোঙান তোঙানবা খোরিরোলগী লম্দা শকখঙ মনা ৮সু ফংখ্রবী অইবীনি।

অইবীনা সোশল ক্রিটিক ওইনা চোঙথোক্লক্তুনা খুন্নাই অমদা মায়োক্লরিবা অশোয়বশিং, থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অচুম-অরানগী ৱায়েল অমদি শেমদোকনীংবা ফজহন্নীংবা পূন্নমক পাউজেল অমগা লোয়ননা মখোয়না ইরিবা ফোঙদোক্লিবা লাইরিকশিংগী লমায়শিংদা ইনবা হোৎনরি। মসিবু পাদুনা নৈনদুনা অশোয়বদু শেমদোক্লবগী তাঞ্জা অমসু পীরি খোরিরোলনা। ফজবা নোভেল, ৱারীমচাশিং, শৈরেংবু ওইরবসু মসিগী ইস্পেক্ট অসি য়াম্না চাউখ্রে। ফজবা নোভেলনা ফিল্ম স্ক্রিনদা লাকখিবা য়াওরি। ফজবা ৱারীমচানা লীলা ওইনা অমদি ফিল্ম ওইনা নমদুনা পুথোক্লকপদা মালেম শিনবা থুংনা মমিং লৈবা স্কৃপ্টসু লৈতবা নত্তে। শৈরেংদগী লীলা ওন্থোকপা কয়া লৈরি। পাউজেলদি অফবা অচুম্বা ফজবা অমদি ফিদম্নিংঙাই ওইবা মশক অদুনি। হীদাক চারবসু ফবা ঙমদ্রবা অনাবা মখল কয়া মীওইবদা নারগা লৈরি। নাপল, অচাওরম কাবা, মীগী মাঙনবতা খনবা, কল্লক মীহৌবা, করাম চাউবা, অশাওবা, থবক শুনীংদবা অসিনচিংবসি অনাবা মখল অমনি হায়না লৌদবা য়ারোই। মশাগী অশোয়বদি উদবা অদুগা পাঙ্গল শোনবশিংবু তাথী-তাওইনা তৌবা, ওৎ-নৈবা অসি ইতৎ-তত্তনা থেংনবা সোশল ইস্যু অমনি। দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী চৈথেংনা খুন্নাই অসিদা হিংলিবা পাঙ্গল শোনবীশিংদা কয়া য়াম্না চৈথেং পীরি হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইরকপা ৱারীমচা অমখক্লি আর কে সনাহনবী চনুগী ‘অরোইবা ফিরেপ’। ৱারীমচাগী খোমজিনবা লাইরিক অসিদা পূন্না ৱারীমচা ১৭ য়াওরি। মণিপুরী খোরিরোলদা হৌজিক লংদায় মতম ওইবনা বেঙ্গলি স্কৃপ্ট অমদি মীতৈ ময়েক অনীমক্তা ফোঙলি। মসি তৌদবা য়াদবা অমসু ওইরি। হৌরক্লিবা অনৌবা মীরোলদি বেঙ্গলি স্কৃপ্ট অসি পাবা থোকত্রে অদুনা মীতৈ ময়েক্তসু পাবা ফংহল্লিবসি য়াম্না ফৈ।

‘অরোইবা ফিরেপ’ চম্না লীবা ৱারীনি। লাইরিক্কী মিংথোলসু ওইরি। অদুবু ফোঙদোক্লিবসিদি খুন্নাইসিগী য়াংলেনদা চঙশিন্দুনা চীক্লিবা ফৎত্রবা তীল অসিদি য়াম্না শাথীবা অমনি হায়বদু উৎনবা হোৎনরি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়ু অমদি জ্বারদা লায়চুরবা ইমুংশিংদা থেংনরিবা হার্দ রিএলিটি অদু ময়েক লানা ইরক্লি। জ্বার মফম লীংদুনা ময়ুমদা য়ু খিল্লগা থল্লিবা শেঞ্জাও পায়বা তোমচৌদদি লৈকায়না চৈরাক পীবা ঙমদে অদুবু হিংনবগী লানফমদা অমদি চাকখুম মৈ মৃত্তনবা হোৎনরিবা য়ু খরা য়োঞ্জরিবশিংবুদি খোঙ্গৈইনবীবা, ময়ূম মকৈ থুদেকপা তৌরি। মসি চুপ্লিব্রা-লাল্লিব্রা হায়না ৱাহং হংলক্লি অইবীনা। অমরোমদা অমুক, য়াইফবীগী মপুরোইবা য়ু অমদি জ্বারদা লায়চুদুনা অরৈবা পোৎ-চৈ, মাল-চাং পূম্বা জ্বারদা থাদোক্লকপনা মখোয়গী লৈজরিবা ইঙ্খোল মচেৎ অদুসু মচি-মচি শেঞ্জাও পায়বা তোমচৌনা লৌশিনখিদুনা শুমাং ফাওবা লৈশিল্লক্তবা মতাং য়ৌরকখি। তোমচৌনা নোংমা মখোয়দা লাকপদা য়াইফবী কোকচাওবী কাই। করি অমুক লৌবা লাক্লিবনো খনবদা নুংবংনৈ। য়াইফবীনা মপুরোইবদা ফনা য়াম্না হায়জে মচা অহুমগীসু খরা খল্লু। য়াইফবীনা হায়, “মোয়বাবা! ইঙ্খোল মচেৎ অমখক এঞ্জাং-নাপি থাদুনা চানরিবসি অমুক য়োন্দোরবরা?” হন্না-হন্না হংজৈ। নুপানি মানা ঙম্মী, মানা কুসি তৌগনি খল্লি অদুনা হায়, “নুপী নোয়না খঙপোত্তে। নুপানা তৌবা থবক্তা চবেৎ-চবেৎ ঙাঙলক্কনুকো। মীগী শেল অচিনবা খরা লৌশিল্লুবগী শিংদা য়াদদুনা য়োল্লিবনি। নুপী নোয়গী নথৌ নত্তে, চৈ নিরক্কনু” (লা: ১৫২) নীংঙাই শংদানরকখি। নুপানি ঙম্মী মতাগুম মাগী নুপীবু নিশাগী ময়াইদুনা য়াম্না থীনা ফূবীখি য়াইফবীদু। অসুম্না ইতৎ-তত্তনা ওৎ-নৈখি। খাঙবা য়াবসু খাঙখি। অদুনসু হন্দে মাগী মপুরোইবা। য়ু অমদি জ্বারদা লায়চুরবা ওইবনা ইঙ্খোল অদু লোইনা য়োন্থোকপগী ফীভম লাক্লবদা তৌফম খঙখিদে। মরমদি ইঙ্খোল অদু মাগী মপুরোইবগী মিংদা লৈরি। করিগুম্বা মপুরোইবদুনা শিখিবা তারবদি ইঙ্খোলগী মিংদু মঙোন্দা ওনশিনবদি য়াগনি হায়না লৌরুংশঙদা থবক তৌবা মপাল্লোমগী মীওই অমনা হায়রকপদু নীংশিংলকখি। পেত্রিকেল সোসাইটিদা নুপাদা হেন্না শক্তি পীবা লমগী অমদি পূন্সিগী ভেল্যু লেপহনবসিদা অইবীনা য়ানীংদবগী ইঙ্গিৎ অমসু ফোঙদোক্লি। মসি অচুম্বনি। মচা পিবা পোক্তবা মমা মপাশিংনা খুন্নাই অসিদা খরা পাঙ্গল শোন্না লৈবগুম্না পূক্লিংদা ফাওহল্লিবা ইনফরিওটি কমপ্লেক্স অসি শেমদোকপা মতমদি ওইরবনি। মচা পিবা অদুনা মপা-মমাগী লন-থুম পূন্নমক লৌগদবনি হায়বসিসু অরানবা ওইরক্লিবনি। ফত্তবা মচানুপাদুনা মপা-মমাগী লৌ-ইঙ্খোল য়োন-য়োন্দুনা চাগদৌবা ওইরবদি মদু করিদা কান্নরিবগে হায়বসি ৱাহং হংনীংলক্লি অইবীনা। মালেম লূম্নবা পোকপা মচাশিংসু লৈতবা নত্তে। মী ফত্তবগী হীদাকসু লৈতে। মৱা ফত্তবা শিবা ঙাইবা হায়নরিবনি। অদুবু য়াইফবীগী মরাইবক্তি মসিদগী হেন্না শাথীবা অমদি মথোং হুক্তবা ওইরমখি। দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স অমদি হরাসমেন্ট ফনা মায়োক্লন্দুনসু মচাশিংগী তুংগী পূন্সিগীদমক খল্লগা মহাক পূন্সিগী ওইনা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌদবা য়ারক্তবা মতাং অদু লাকখি। অদুনা নোংমা য়ুম-ইঙ্খোল পূন্নমক য়োন্দুনা য়ুম লৈতবা কাং-খোং চাইরবা ইমুং ওইহৌদনবা ৱারেপ অমা লৌরকখি য়াইফবীনা। অদুনা নোংমা য়াইফবীনা মপুরোইববু পেন্না থৌগল তৌজখি। পীজ-পীথক তৌজখি অমদি অরোইবা ওইনা শঙ্গোম গ্লাস অমা পীথকখি। খাঙবা ঙম্বগী পনখৈ ৱাংমদা লৈখি য়াইফবী। ‘মপুরোইবদি থেঙলবফাওবা হৌগৎলকত্রে, অদুম হৌগৎলকখিদ্রে।/মপুরোইবগী তঙৈং-তঙৈংলবা মশাদু শোক্না তারক্লিবা পি মরীকশিংদু মখূৎনা তৈথোক্লগা মদোম থম্মোয়নুংদা হায়জে য়াইফবী, “য়ুম্ফমসিমদি ইচাশিংগী ওইহৌরেদনা” (লা: ১৫৫) ৱারীমচাসি মসিদা লোইশিল্লি। অসিগুম্বা এক্সত্রিম ওইবা ৱারেপ অমা য়ুম্বুরেম্বী অমনা লৌরক্লিবসিগী মরম খুন্নাই অসিদা লৈরিবা য়ুমগী নুপা ওইবশিংনা খঙবীফম থোকই হায়বসিনি অইবীনা ফোঙদোক্লিবসি। য়াইফবী আইনগী ওইবা মীৎয়েংদা মপূন্সি চুপ্পা ফাদোক তাখিবদি য়াই অদুবু মচাশিংগীদমক মহাক্তি মমানি। মখোয়গী তুংগী পূন্সিনা উচেক কুম্না হিংবা পূন্সিদি খক পাল্লম্লোই। মসিনি ৱারীসিগী ফজবা পাউজেলসু।



লাইরিক্কী মমিং :- অরোইবা ফিরেপ (২০২৩)
অইবা :- আর কে সনাহনবী (লীকখোম্বী) চনু
অফোঙবা :- ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জে লূপ (ইমাখোল)
লাইরিক্কী মখল :- ৱারীমচা
লাইরিক্কী মখুম :-বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ৩০০/-
লমায় মশিং :- ২১০



‘চৈনা’ হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসিদা ফোঙদোক্লিবসি মণিপুরদা চহী খরগী মমাঙদা অচৌবা সোশল ইস্যু অমা ওইখিবা রেষ্টুরেন্ট হাংদুনা মসিদা অমম্বা কাশিং হাপ্তুনা খুন্নাইনা য়াদবা অমদি ইকায়খুম্নবা মাঙনীংঙাই ওইবা থৌদোকশিং থোকখিবদা ভিক্টিম ওইহৌরবা পাখঙ লৈশাগী নুংশি পন্থুং য়ৌঙমখিদ্রবা লৈমহনবী, ইমোবা অমদি য়াইফথোইবা মখোয় অহুমগী চৈনাদুনি। ইমোবদি কলাকারনি, বাঁসি খোঙবনি অমদি য়াম্না চমজবা পাখঙনি। লৈমহনবী য়াম্না চমজৈ। ইমোবদা ঙাওজখি। মখোয়নি নুংশিনজে। য়াইফথোইবসু অরান অহুই তৌজদে। লৈমহনবীবু মমান্নবী অমগুম চম্না লোয়নজে য়াইফথোইবনা। নোংমা য়াইফথোইবগা মহাক্কী থবক ফংবগী নুংঙাইবা মীৎকুপ অমদা রেষ্টুরেন্টতা চঙলুবদা লাইবক থীদুনা রেষ্টুরেন্ট ড্রাইভ লাকপদা মখোয়নি কৈসু লাঞ্জদনা অৱাফমদা তাখি। অদুনা মরম ওইরগা য়ুম পানখি। অঙাং লৈরবা মতুংদা নোংমা ঈশৈ শৈফম অমদা ইমোবগা থেংনখি। ইমোবসু য়াইফথোইবগী কোলেজ তম্মীন্নরকপা মরুপ অমা ওইরমখি। ফ্লাশ বেক খরা অমদি ফোঙদোক্লখিদ্রবা অমদি লান্না খন্নরুবা পূন্সিগী তাঙ্ককশিংদু মতাংনা মতম্না য়াদবদগী অমদি খুন্নাইগী চেন্থরিবা ঈচেল অমদা মখোয়না কাওশিং ওইরুবা পূন্নমক্তু মমৈথংদা পূক্লিং তেংথোক্লরকখি। তৌইগুম্বসুং ইমোবদি লৈমহনবী কায়নবগী মৈচাক্লা য়ুম পান্দনা লৈরমখি। চৈনা অসি ইমোবগীরা লৈমহনবীরা নৎত্রগা য়াইফথোইবনা মহাক্কীসু খঙনজবী কনাগুম্বী অদুগীরা হায়বসি হংনীংহল্লি। মপুংদা উৎলিবসি লৈমহনবী অমদি ইমোবগী নুংশি পন্থুং য়ৌঙমখিদ্রবা চৈনাদুনি হায়না লৌবসু য়াই।

অইবী আর কে সনাহনবী চনুগী লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারীমচাশিংদা খুন্নাই অসিদা হৌজিক হৌজিক মায়োক্লরিবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ইস্যুশিং চৎনবীনা পীবা চৈথেং, নেটিভ ওইরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা মীশিং হন্থরকপগী সমস্যাশিং, তোঙান তোঙানবা থিমদা অমদি টেক্নিকতা পুথোক্লবা অমদি সোশল ক্রিটিক ওইনা ফোঙদোক্লবা হোৎনরিবা অসিমক য়াম্না পূক্লিং থৌগৎনীংঙাইনি। মতুং তারকপদসু ৱারীমচাগী লাইরিক লেপ্তুনা ফোঙদোকপীদুনা মণিপুরী খোরিরোলগী পূক্কে হেন্না মগুণ হাপ্পীরক্কনি হায়না থাজবা থমজরি। ●

# লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা ৩শুবা কালেন আর্ট এগজিবিশন ২০২৫ # ১৮

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

লোক্তাককী ৬শুবা ঈশাগী মনুং চন্না, ‘চীংদোমপোক কাচিন’ কৌবা চীং মচা অমা লৈ। চীং অসিগী মমিং লৌদুনা চীংদোমপোক কাচিন হায়না খঙনখি। চীংগী নোংচুপ মোইরাং লাইজিদা কোম অমা লৈ। কোম অসিবু পুরিবা লাইনিংথৌগী মমিংদি ‘খোইরিশিকাপ’ কৌই। মফম অসিদা অচুম অরানগীদমক ৱারেপ্লবদা অরানবা মী অদু য়ুম য়ৌবা ঙমদা শিয়ে নৎত্রগনা লাইথুং লায়না পকই, মশাদা তেনবাল্লে। চীংগী অৱাং পাংলপ্না ফুরি থুংবা কোম অমা লৈয়ে। কোম অসিদা পুবা লাইনিংথৌগী মমিংদি ‘উথাই পাখঙবা’ কৌই। লাইনিংথৌ য়াথোকপদা থেংনরুবা মীদি মশাদা তেনবাল্লে। তরুকশুবা ঈশা অসিদা “থাংবী পন্দোল” ইশা অমসু লৈ। ঈশা অসিবু পুবা লাইনিংথৌগী মমিংদি ‘ঈখঙপা’ কৌই। লাইরেম্বীগী মিংদি ‘ঈখম চনু’ কৌই। ঈখঙপনা মশানৌ ঈখম চনুবু য়েংলগা হায়রকই - ঈশানৌ ও তাইবঙপানবা মপুগী শিন্থা পাংলসে, তাইবঙবু চায়োক নাওয়োক্লবা লেমলৈ ঙাবু পুথোকসে। অসুম্না লেমলৈ ঙাবু পুথোকখিয়ে। হৌজিক ঈশা অসিগী মমিং থাঙবী পন্দোন হায়না খঙনরে। মথংদা ‘থঙলান কাচিন’ ঈশা অসিবু তরুকশুবা ঈশাগী মনুং চল্লি। ঈশা অসিবু পুরিবা লাইনিংথৌগী মমিংদি ‘ঈনুং ঈনাপা’ (ইনামকু) হায়না কৌই। লাইরেম্বীগী মমিংনা ‘ইলাই চনু’ কৌই। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা থেংনখিবা মফম্বু ‘থঙলান কাচিন’ হায়না খঙনরে। লাঙ্গোই সাবল খোইমোনাক কাচিন ফাওবা লাইনীংথৌ লাইরেম্বীনা হরাও মথোই কানা ঈশা অসিদা পুইয়ে।

মথংদা ‘চীংহৌ’ : খোইয়ুম লাইরেম্বী তরেৎনা চিং চিংদুনা হৌ হৌ চোংই ইফুনাইদুনা শানৈ হায়বগীদমক মফম অসিবু চীংহৌ কৌই। লাইরেম্বীগী লাঙহানফম, লাথুপফমদি ঈনুং পুঙদা লৈয়ে। ‘লৈমা নাহিক’ কৌরগা ঈথাফম ওইয়ে। ঈথাপ লেম্বী কৌরগা ঈখলখিয়ে। ‘ঈরৌ লেম্বীনা’ হৌখিয়ে, অহৌবীনা হৌরগা পুখিয়ে। ঈশা অসিদা মোইরাং য়েক চঙবা পুঙলু লৈয়ে। ঈশা অসিদা খোইয়ুম লাইরেম্বী তরেৎনা ইতোন্দা পুইয়ে। ঈশা অসিগী কয়াৎনুংদা পুবী লাইরেম্বী অমগী লাইমিংদি ‘অনানু’ কৌই। লাইরেম্বীঅসিবু উবদা লাইনিংথৌ ‘ঈলম্ফুনা’ তানরকখি। লাইরেম্বীনা চেনখিবা সনচীঙ্গোই কাচিন, চীংহৌ পন্দোন অমসুং লাঙ্গোই শঙফম ফাওবা চেনখি। লাঙ্গোই শঙফমদা লাইনিংথৌনা লাইরেম্বীগী খুদাং পায়খি। হায়রিবা ঈশা অসিদা হৈরাং লোঞ্জানা লৈরাং লোঞ্জানখি। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা খুরাকপন ফাওবা য়ৌনা কোল্লে।

হৈনীং মরূ অমসুং খোঙনাং কাচিন :- ঈশা অসিবু পুবা লাইনিংথৌগী মমিংদি ‘ককলিবা ককফাবা’ কৌই। লাইনিংথৌ অসি থেংনরুবদি অথিন অরেং অমসুং চিক্না শানা নাইয়ে। লায়কন্নবা লুনা থোক্তুনা অমম্বা ওইয়ে। ‘সৌসৌবী’ কৌবা মফম অসি তরুকশুবা ঈশাগী মনুং চল্লি, ঈশা অসি পুবা লাইনিংথৌগী মমিংদি ‘লৈ খাকনু’ কৌই। লাইরেম্বীগী মিংনা ‘লৈশেম্নু’ কৌই। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা পুরিবা ঈশা অসিদা ঈপুক শৌই, ঈনম খাইরে, ঈশোন খাইরে, ঈহুল পোকই অমসুং ঈরিল লিংই। ঈশা অসিদা তাইবঙগীদমক ঈয়োক ঙা ঙক্রা পুথোকখিয়ে। হৌজিক্না ঈশা অসিবু ‘সৌ সৌবী’ নুঙখোঙ হায়না খঙনৈয়ে। ঈশা অসিদা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা লোংচাম্বফাওবা য়ৌনা কোল্লে।

তরুকশুবা লোক্তাক ঈশাগী মনুং চল্লিবা ‘লৈঙাং’ হায়রিবা ঈশা অসিবু পুবা লাইনিংথৌগী মমিংদি ‘হুপত্রেংখংপা পাখঙবা’ অদুগা লাইরেম্বীগী মিংনা ‘তুনখাইনু’ কৌই। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা অশাওববু পিবুক্লুংদা লৌওনবদগী লাইনিংথৌনা থুপলগে হায়না ঈওন্নরম্মী। লাইনিংথৌনা ঈওন্নরবা মতমদা ‘হক্রাবা’ না থেমখি। লাইনিংথৌনা মাঙজরগে হায়বা তুবী ইহনফমদা হনবা য়াদে নতেফমদা তেবা য়াদে হায়না পাউমেল্লিঙৈ ‘হক্রাবা’ গী মশানৌ ইবেম্মসু লাক্তুনা লাইনিংথৌদা করিনুংগী অশাও পরৈনবগে-থুপখিনু হায়জরম্মী। ৱাফম অসি তাবদা ‘হক্রাবা’ না লাইরেম্বীবু অমুক্তা থিরুখিগে মীকুপ খরদং ঙাইবীরম্মু হায়রল্লগা লাইরেম্বীবু থিরকখি। লাইরেম্বীদা মরম পূন্নমক তল্লগা লাইনিংথৌবু খাম্বীয়ু হায়জববু থাজদ্রদুনা লাইরেম্বীনা ‘ঈরুম’ পুঙদগী য়েংলকখি। ঈঙাং তাবা উবদগী হক্রাবা অমদি লাইরেম্বী অনীনা লাইনিংথৌগী নাক্তা হল্লকখি। লাইরেম্বীনা লৈসি লৈথোনবা ৱাহৈ কয়া হায়জদুনা লাইনিংথৌগী পূক্লিং ফাজিনখি। ‘হক্রাবা’ না শিন্দুনা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনী অমুক হোয়ানখি। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা য়াঙ্গোই ফাওবা পুইয়ে। ‘লৈঙাং’ কৌখিবগী অতোপ্পা ৱারীদি মফম অসিগী ঈশিং মচুগা অতৈ মফমগা মান্নদে। অনী থোক্লা লীনৈ। অহানবদা অদুঙৈ ঈপুথৌ থাংজিংনা ‘চা’ কৌবা হিংচাবা অমসুং মাগী লাম্মীশিংবু তক্লা তুম্না হাৎপগী ঈতনা পুমঙাং ঙাংদুনা লৈবদগী ইমা লৈমরেননা থাংজিং ঈয়োক কোমদগী ঈশিং থাদরক্তুনা শেংদোকখি। ঈনা ঙাংই হায়বদগী ‘লৈঙাং’ পাৎ কৌনখি। ৱারী অমনা খুমনগী অথাকপা ষণ অমগা মোইরাংগী অথাকপা ষণগা ৱাইনবদা মচি তেক্তুনা ঈহিং-নাহিং শানা ঈনা চেন্থখিবদগী পাৎ অসিগী ঈশিং ঙাংখিবনি হায়বগী ৱারী লৈ।





লাঙ্গোল শাবী : ঈশা অসিদা পুরিবা লাইনিংথৌগী মিংদি ‘হুংকক শোয়া’ কৌই। লাইরেম্বীগী মিংনা ‘উনা ঙা লৈখোৎপী’ কৌই। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা চৎখিবা লাইরমগী মমিংদি ‘থেঙা লোক্তাক খোম্বী’ হায়না কৌই। হৌজিক ঈশা অসিবু ‘লাঙ্গোল শাবী’ হায়না কৌনরি। লাইরম অসিগী হৌরকফমদি - থাঙ্গ চীংদগী হৌরক্লগা লাইরম ওইনা ‘কোঞ্জেংশোক’ ঈশা য়ৌনা লাকই। মথং মথং লাক্তুনা হৌজিক লৈরিবা মোইরাং ‘কংলা’ গী মফম অসি য়ৌরকখি।

লোক্তাক ঈশা তরুকশুবা অসিদা কোল্লিবা মফম অসি ওন্থোক্না য়ামখ্রে। ‘কোঞ্জেং শোক’ হায়রিবা ঈশা অসিসু তরুকশুবা লোক্তাক ঈশাগী মনুং চল্লি। ঈশা অসিদা পুবা লাইনিংথৌগী মিংদি ‘ইরিক লাবা পাখঙবা’ কৌই। অতোপ্পা মিং অমনা ‘ঈরিক শৌনপ উব’ সু কৌই। অতোপ্পা অমনা ‘খৈতোম্বা’ সু কৌই। পাখঙবা অসি তাইবঙশিংনা ওক্লরবদি মশাদা চৈবী চৈথেং পীয়ে। মশা কামখৎতুনা অথিন অরেং য়াওনা, অনা লায়ওং খঙদনা নাইয়ে। মরম খঙনা থৌনিহৌদ্রবদি তাইবঙ থৱায় অদু শিয়ে। ঈশা অসিগী মমিং ‘কোঞ্জেংশোক’ হায়না কৌই। মথং মথং তরুকশুবা অসিদা ‘হাওকোন’ কৌবা ঈশা অসিদা পুরিবা লাইনিংথৌগী মিংদি ‘হাওফম তাবা’ কৌই। ‘ঈসিক্লা’ হায়নসু কৌই। লাইরেম্বীগী মিংনা ‘ইনাম খোনবী’ কৌই। হায়রিবা ঈশা অসিদা তাইবঙনা চংলুবা মতমদা মশাদা চৈবি চৈথেং পীয়ে। ঙাওনা ফৈনা, থেক্লা চিংনা, অনা লায়ওং খঙদনা শিয়ে। ঈশা অসি হৌজিক ‘হাওকোন’ হায়না খঙনরিয়ে।

শগাই শাবী : মফম অসিগী ঈশা অসিসু তরুকশুবা ঈশানি, ঈশা অসিদা পুরিবা লাইনিংথৌগী মিংদি ‘ঈলম্পক’ কৌই। লাইরেম্বীগী মিংনা ‘ঈশমনু’ কৌই। ‘ঈফম্বী’ হায়নসু কৌই। হৌজিক ‘শগাই শাবী’ হায়না খঙনরি। ঈশা অসিনা খুমন য়াংবী ফাওবা য়ৌই।

‘ফিগৈ’ : কৌবা ঈশাদা লাইরেম্বী অমনা শায়োন অহুম থোক্লা পুইয়ে। শায়োন অমমমগী মমিংদি ‘উতোংবী’, ‘উহেনবী’ অমসুং ‘উল্লম্বী’ হায়না কোলোইনৈয়ে। লাইনিংথৌদি ‘হুপতিং পাখঙবা’ কৌই। লাইনিংথৌ অসিনা পুবা লমদি কোকচাই, শমুশঙ (খুমন কোনুং) দগী নম্বুল, মরিন, সনাপাৎ, ঙক্রা পাৎ, চীংফু, হাওশোই হায়রিবা মফমশিং অসি পুইয়ে। লাই অসি তাইবঙনা থেংনরুরবদি ফুগাম থুংই। মবুক কংখৎতুনা শিয়ে।

কারোং : ঈশা অসি পুবা লাইদি ‘হঙ্গোই নিংথৌ’ কৌই হায়না ‘লোক্তাক ঈশা মাপল’ কৌবা লাইরিক্তা থেংনৈ। অদুবু ৱারেং অসি ইজরিবা ঐহাক্কী ৱাখল্লোন্দদি ‘য়াঙ্গোইনিংথৌ’ নি হায়না লৌজগে। লাইরেম্বীনা ‘হিংথি’ কৌই। লাইরেম্বা লাইরেম্বী অনীনা নম্বুল, খুজাইরোক মরিন, থোংজাওরোক মরিন অসিনচিংবা পুইয়ে। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনী অসিবু থেংনরুরবদি মী-শা-ষণ পূন্নমক শিবা নংই !!! ● (মখা চত্থজরকখিগনি)।